# ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ইন তাইকুন্দো ২০১৮



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ঃ

স্কুল গেমস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এসজিএফআই) গী মীৎয়েং মখাদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শীন দুনা থা অসিগী ২৬তগী ৩০ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী তাইকুন্দো ত্রেনিং হোলদা চথরিবা ৬৪শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ২০১৮ ইন তাইকুন্দো অন্দর-১৪ (বোইজ এন্দ গার্লস) কী কেজি ১৬ মখাগী নুপীমচাগীদা মহারাষ্ট্রগী বিদি জনারদন মাসনিনা গোল্ড, অমদি মৈধ্য প্রদেশকী বারসাট গুপ্তনা সিলভর লৌখ্রে।

নুপীমচাগী কেজি ২০ মখাগীদা গুজারাটকী আরপিতা গোলমেলনা গোল্ড, মহারাষ্ট্রগী পালিকসা দাসারটনা সিলভর, মণিপুরগী এম বন্সিকা অমদি দিল্লিগী বোম্বি রোলহারিনা ব্রোঞ্জ ফঙখি।

নুপীমচাগী কেজি ২৪ মখাদগীদা তামিলনাদুগী আর সন্ধিয়ানা গোল্ড, মীজোরামগী বানলালবু দি লৈনা সিলভর, হারিয়ানাগী রাখি অমদি মহারাষ্ট্রগী সরঞ্জলি সুবাস পাটেলনা ব্রোঞ্জ ফঙখি।

নুপামচাগী কেজি ১৮ মখাগীদা নাগালেন্দগী লেন্সিথোংনা গোল্ড, এনভিএসএগী বিনে এন বালিগরনা সিলভর, জম্মু এন্দ কস্মিরগী নিখিল কুনাইল অমদি অন্ধ্র প্রদেশ এম জগদিসনা ব্রোঞ্জ ফঙখি।

# দিএসএ থার্দ দিভিজন ২০১৮
## ফুনাল সম্বুং য়ুঠ ক্লব (পিএসৱাইসি) না ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দিএসএ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দা টিম ৬না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৪ দগী চথরকখিবা দিএসএ থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ঙসি লীগ মেটচ শান্নবা লোইখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিদা ফুনাল শম্বুং য়ুঠ ক্লব (পিএসৱাইসি) ফুনালনা পোইন্ট ১৩ ফঙদুনা ৱিন্নর অমদি সুগনু ফুটবোল ক্লব (এসএফসি) সুগনুনা পোইন্ট ১০ ফঙদুনা রন্নর্স অপ তাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা এসএফসি সুগনুনা এফএসসি ককচিংবু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এসএফসিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ ঙমগৌলিননা মিনট ১২ অমদি ৪৬ তা গোল অনী, জর্সি নম্বর ৭ টি হেনরি জৌনা মিনট ৪৫তা গোল অমা অমদি জর্সি নম্বর ১০ হাওমিনলুংনা মিনট ৬৬তা গোল অমা চনখি।

মায়থিরবা এফএসসি ককচিংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৭ এম মরজিৎনা মিনট ৪০ প্লস ১ দা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট গোল কিপরদা য়ুঠ ৱেলফিয়র্স য়ুনিয়ন (ৱাইদব্লিউয়ু) ককচিংগী এম জি তেন্দ্রনা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা কৈরক গ্রাম পাঞ্চাদকী প্রধান এলাংবম ওংবী শান্তি লৈমনা চীফ গেষ্ট, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এস সনাতোম্বনা প্রসিদেন্ট অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী, এল জোটিমারোইনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা মকোক-মথং তাখ্রবশিংনা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পিএসৱাইসিনা মেটচ ৫ শান্নবদা মেটচ ৪ মায় পাক্লবা মেটচ ১ দ্রো চৎলগা পোইন্ট ১৩ ফঙদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী রন্নর্স অপ এসএফসি না মেটচ ৫ শান্নবদা পোইন্ট ১০ ফঙদুনা তাখি।

ৱাইদব্লিউয়ু না মেটচ ৫ শান্নবদা পোইন্ট ৯ ফঙদুনা অহুমশুবা পোজিসন, কেটিসিনা মেটচ ৫ শান্নবদা পোইন্ট ৫ ফঙদুনা মরিশুবা পোজিসন, য়ুসিসিনা মেটচ ৫ শান্নবদা পোইন্ট ৪ ফঙদুনা মঙাশুবা অমদি এপসিসি না মেটচ ৫ শান্নবদা পোইন্ট ১ ফঙদুনা তরুকশুবা পোজিসন তাখি।

# বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮
## সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ঃ

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভেটরিয়ান ফুটবোল এসোসিয়েসন (বিদিভিএফএ) না শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা টিম ১০ না গ্রুপ অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরক্লিবা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা সিসিপুর অমদি ভিএসআই দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা বিদিভিএফএ না য়ুভিএসএবু মায়থিবা পীখ্রে।

গ্রুপ এ গী অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা সিসিপুর অমদি ভিএসএআই থাংমৈবন্দ গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

সিসিপুরগী পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১৩ ওন হেননা মিনট ৩ দা চনখি। ভিএসএআই থাংমৈবন্দগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৯ অনন্দনা মিনট ২৩ দা চনখি।

গ্রুপ-বিগী অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা বিদিভিএফএ বিষ্ণুপুরনা য়ুভিএসএ লিলোং চাজিংবু গোল ৫-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা বিদিভিএফএ বিষ্ণুপুরগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ সিঐচ ওজিৎনা মিনট ৩, ২৪, ৩৬ তা গোল অহুম চনদুনা হেদ ত্রিক ফঙখি। জর্সি নম্বর ১২ দাল বহাদুরনা মিনট ৪ অমদি ৩১ দা গোল অনী চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ মেটচ শান্নবা লোইখিবগা লোয়ননা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ভিএসএআই থাংমৈবন্দ অমদি চোলহা সদর হিলসনা থা অসিগী ২৮গী নুংথিল পুং ১.৩০ দা শান্নরগনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেলনা থা অসিগী ২৯গী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা বিদিভিএফএ বিষ্ণুপুর অমদি সিসিপুরগা শান্নরগনি।




# মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেল ২০১৮
## ইন্দিয়া-বি অমদি ইংলেন্দ ফাইনেলদা লম্বা থেংনরগনি



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ঃ

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেলগী ১২শুবা ইদিসন ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচশিংদা ইন্দিয়া-বি মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ইংলেন্দ অমদি য়ু এস এ দ্রো চৎখ্রে।

পোলো ইন্টরনেসনেল অসিগী ৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ইন্দিয়া-বিনা উরুগেবু পাঞ্জল ৫-৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

মায় পাক্লবা ইন্দিয়া-বিগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ টিঐচ কাওবনা মিনট ৪.৪৪ অমদি জর্সি নম্বর ২ পি ওজিৎনা মিনট ৫.০১ দা পাঞ্জল অমমম চনখি। অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ এস বিমোলনা মিনট ১.১৬ দা পাঞ্জল অমা অমদি জর্সি নম্বর ৩ টি প্রদিপনা মিনট ৪.৩১, ৬.৫৭ দা পাঞ্জল অনী চনখি।

মায়থিরবা উরুগেগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ জুৱাল প্ররনালদেসনা মিনট ৫.৩৭ দা পাঞ্জল অমা, মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ গুইলরমো সিক্কোনা মিনট ৪.৪০ অমদি জর্সি নম্বর ২ এলেজান্দ্রো এল হোরদোইনা মিনট ৬.২০ দা পাঞ্জল অমা চনখি।

পোলো ইন্টরনেসনেল অসিগী অরোইবা লীগ মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ইংলেন্দ অমদি য়ুএসএ পাঞ্জল ৩-৩ চান্নদুনা দ্রো চৎখিবগা লোয়ননা ইংলেন্দ ফাইনেল চঙখ্রে।

ফাইনেল চঙখ্রবা ইংলেন্দগী পাঞ্জলশিং অদু অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ জোস সেতলনা মিনট ১.৫০, জর্সি নম্বর ২ হেনরি এমোলনা মিনট ৩.৫৫ অমদি জর্সি নম্বর ৩ জোস অমোরনা মিনট ৬.৩৩ দা গোল অমমম চনখি।

য়ুএসএগী মায়কৈদগী চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ তেগান ৱালসনা মিনট ৬.০৮ তা পাঞ্জল অমা, অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ কোনোরদিলনা মিনট ০.১৬ অমদি জর্সি নম্বর ৪ চাদ বাউমেল মিনট ৫.০৭দা পাঞ্জল অমমম চনখি।

মেটচ অসিদা অকাবা টিমনা ফাইনেল চঙবগী লম্বী লৈরন্নবসু মেটচ অসিগী দ্রো চৎপদগী টিম অনীমক্লা পোইন্ট য়েন্নদুনা পোইন্ট ৭ /৭ তা লৈরবসু ইংলেন্দনা গোল দিফরেন্সতা য়ুএসএবু ফাইনেল চঙবা ঙমহনখিদবনি।

পোলো ইন্টরনেসনেল অসিগী ফাইনেল মেটচ লাক্লিবা তাং ২৯ দা ইন্দিয়া-বি অমদি ইংলেন্দগা শান্নরগনি।

# সঙাই ইনভাইটেসন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ঃ

ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসন (আইদিটিএ) অমদি এসোসিয়েসন ফোর সেনিয়র প্লেয়র ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৮ গী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২২দগী আইদিটিএ লমফেলপাৎ, এসইৱাইও টেন্নিস কোট অকাম্পাৎ অমদি হাও টেন্নিস কোট চীংঙামথক্তা চথরিবা সঙাই ইনভাইটেসন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেন্স ওপন সিঙ্গলসতা প্রেমজিৎনা রঞ্জনবু সেট ৬-১, ৬-৩, ব্রোজেননা অতাপ্পু ৬-১, ৬-১, রিবাস্করনা মহেসপু ৬-০, ৬-১, বেক্করনা ইন্দরকুমারবু ৩-৬, ৬-৩, ৬-৩, ব্রোজেননা রিবাস্করবু ৬-১, ৬-৩ অমদি প্রেমজিৎনা জিতেনবু ৬-১, ৬-২ দা মায়থিবা পীখি।

মেন্স ওপন দবলসকীদা জিতেন অমদি অরিয়ানা প্রিতম অমদি অরতাপ্পু ৬-২, ৬-৩, জিতেন অমদি অরিয়ানা অরুন অমদি মৌৱিন্তোনবু ৬-৩, ৬-৩, লিলাজি অমদি প্রেমজিৎনা রঞ্জন অমদি প্রকাসবু ৭-৫, ৩-৬, ১০-৮, রুপম অমদি নৌপাকনা রোমিও অমদি সনাতোম্বাবু ৬-৩, ৬-৭ (৭-৫) তা মায়থিবা পীখ্রে।

# ১৮শুবা ইন্টর হাউস এনুয়েল স্পোর্টস মিট হৌদোকখ্রে

থৌবাল, নবেম্বর ২৭ঃ

সিবিএসই দিল্লিদা এফিলিয়েটেদ তৌবা রুদা একাদেমী থৌবালগী ১৮শুবা ইন্টর হাউস এনুয়েল স্পোর্টস মিট ২০১৮ ঙসি হৌদোকখ্রে।

স্পোর্টস মিট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এনসিসি ইম্ফাল গ্রুপ হেদক্বাটরগী দিপ্যুটি গ্রুপ কম্মান্দর ভিকে মেদিয়াননা অথোইবা মীথুংলেন রুদা একাদেমীগী এদভাইজর নেসনেল এৱার্দি লাইশ্রম ইবোচৌনা থৌরম মপু ওইদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কঞ্চিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদুকেসনগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা, এস সান্তোসনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

স্পোর্টস মিট অদু হৌদোকগী থৌরম ওইনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা ভিকে মেদিয়াননা মৈরা চুখৎপা অমদি এনসিসি কেদেটশিং, হাউস ৱাইজ মহৈশিংনা চৎপা মার্চ পাষ্ট ওকপনা মপুং ওইনা থৌরমশিং ওইখি।

এনসিসি গী কেদেটশিংনা গন সেলুইট পীবা লোয়ননা নাৎকী ওইবা জগোয়নচিংবা মখল-মথেন কয়াগী কচলরেল প্রোগ্রাম কয়াসু উৎখি।

স্পোর্টস টিম অদুদা আউদুর অমসুং ইন্দোরগী ওইবা মশান্না কয়াসু অথোই অহেন তান্নরগনি।



# মেরিকোমনা গোল্ড মেডল লৌরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ঃ

হন্দক ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ন্যু দিল্লিগী কেদি জাধব ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা এআইবিএ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সিং লিজেন মণিপুরদগী হৌখিবী এমসি মেরিকোমনা লাইট ফ্লাইট ৱেঠ কেজি ৪৮ কাংলূপকী ফাইনেল বাউটতা য়ুক্রেনগী হনা ওখাতাবপু ৫-০ দা মায়থিবা পীদুনা রেকোর্দ ওইনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ৬শুবা গোল মেডল লৌদুনা মালেমগী নুপীগী বোক্সিংদা অনৌবা পুৱারী অমা শেম্বা ঙম্বা অসিদা মণিপুরগীদা নত্তনা ইন্দিয়া পুম্বগী মায় পুরকপা ঙম্বা অসিদা মণিপুর ষ্টেট যোগ এসোসিয়েসননা নুংঙাইবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মেরিকোমগী মতুং তারকপা তুংগী পুন্সিদসু মায় পাকপা ওইবীয়ু হায়রি।

# অনীশুবা মণিপুর মুই থাই দেমোনষ্ট্রেসন গেম ইভেন্ট পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি মণিপুর এমেচর মুই থাই এসোসিয়েসন (এমএএমটিএ) মণিপুরনা পুন্না শীন্দুনা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০১৮ গী শরুক অমা ওইনা ঙসি খুমন লম্পাক্তা স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী বোক্সিং এরেনাদা অনীশুবা মণিপুর মুই থাই দেমোনষ্টেসন গেম ইভেন্ট পাঙথোকখ্রে।

দেমোনষ্টেসন অসিগী থৌরমদা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোমেন্ট মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা চীফ গেষ্ট, এমএএমটিএগী প্রসিদেন্ট টিএম রাজেন অয়াংবনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট অমদি মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সষ্ট্রক্সন ৱাকর ৱেলফিয়র বোর্দকী চিয়র পর্সন ঐচ দিঙ্গো অমসুং ইন্দো থাইলেন্দ ফ্রেন্দসিপ ইন্টরনেসনেল এৱার্দি থৌনাওজম অসাকিরননা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়-মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা মশান্না খুদিংমক্তা তোপ তোপ্পা টেলেন্টশিং পুথোক্তুনা ষ্টেট অসিবু শক-তাক্লি।

ইনখৎক্লিবা শান্নরোইশিংনা থকশি-খাসি, হোৎনবা কনবা, অমদি ইশানা-ইশাবু থাজবা থম্বদুনা তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা শান্নরোই অমা ওইবা ঙমনবা হোৎনসি হায়না ফোঙদোকখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*